# টি ব্রোজেন্দ্রোনা ষ্টেট ওপন টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী মেন্স সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে





ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ঃ
মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চথরকপা ৩৮শুবা ষ্টেট ওপন কেস প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী মেন্স সিঙ্গলসকী টাইটল টি ব্রোজেন্দ্রো সিংহ না লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি লমফেলপাৎতা লৈবা ওফিসর ক্লব টেন্নিস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা মেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা টি ব্রোজেন্দ্রানা রহুল পামৈবু ৬-৪, ৬-১ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

চহি ৪৫ মথক্কী দবলসকী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা তুলেশ্বর অমসুং ইবোহল অনীগী পিয়রনা ৱাই ইবোতোম্বী অমসুং ঐচ ইবোতোম্বী অনিগী পিয়রবু ৬-১, ৫-৭(১১-৯) দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

নিংশিংবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিদা বন্তি চোংথামনা লেদিস সিঙ্গলসকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি। অদুগা বিকি শগোলশেমনা চহি ১৪ নুপামচাগী সিঙ্গলসকী অমদি অশ্বজিৎনা চহি ১২ মখাগী নুপামচাগী সিঙ্গলসকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

এমএনসি সনারৈমানা চহি ১২ মখা নুপীমচাগী ৱিন্নর ওইখি।

# থোংজু-এ কাংখুৎনা থোঙাম শাজৌ নিংশিং কাং টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ঃ
ইবুধৌ ৱাংপুরেল খানা চাওবা কাং কম্মিটিনা শীন্দুনা চথরকপা ৫শুবা থোঙাম শাজৌ নিংশিং মিক্স কেন্দ্র-ৱাইজ লীগ কম নোক আউত কাং টুর্নামেন্ট ঙসি কোংবা মখা নাদেবম লৈকায় দা লৈবা আইদব্লিউকেকে কাং শঙদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা থোংজু-এ কাংখুৎনা য়াইস্কুল কাংখুৎ মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি ওগষ্ট ১২দগী হৌদুনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা টিম ১৩না গ্রুপ-মরি থোক্তুনা শান্নরকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৱিন্নর ওইখিবা থোংজু-এগী এল সমানন্দনা চেকফে -১১ অমসুং লমথাদা ৯ পানদুনা বেষ্ট চেকফে অমদি লমথাগী মনাশিং ফঙখি।

অদুগা য়াইস্কুল কাংখুৎকী টিঐচ প্রিয়োকুমারনা বেষ্ট দিসিপ্লিন প্লেয়রগী মনা ফঙবা ঙমখি। আই দব্লিউ কেকেগী এম কুবের সিংহ, ৮৪ দা খ্বাইদগী অহল ওইরবা শান্নরোইগী মনা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শগোলবন্দ কাংখুৎনা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী মনা ফঙবা ঙমখি। অদুগা ওইনাম কাংখুৎ অমসুং কোন্থৌজম কাংখুৎ অনীনা অহুমশুবা পোজিসনদা জে ৗইন্ট ৱিন্নর ওইখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা থোংজু-এ কাংখুৎনা য়াইস্কুল কাংখুৎপু পাঞ্জল ৬তা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

অহানবা হাল্ফকী শান্নবদা থোংজু এ কাংখুৎনা পাঞ্জল ১১ লৌখি। অদুগা য়াইস্কুলনা পাঞ্জল ৬ লৌখিবগা লোয়ননা থোংজুনা পাঞ্জল ৫ লিদ তৌদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা থোংজুনা পাঞ্জল ৮ লৌবা ঙমখি। অদুগা য়াইস্কুলনা পাঞ্জল ৭ লৌখিবগা লোয়ননা ১৩-১৯ দা থোংজু-এ কাংখুৎকী মখুৎতা মায়থিখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা থোংজু-এগী শান্নরোইশিং অদুদি- এম কুবের, এ দিনমনি, এ কুঞ্জো, এ ইবোহল, এস সনায়াইমা, এল সমানন্দ, টিঐচ ধর্ম্ম অমসুং এ প্রসান্তনি।

অদুগা য়াইস্কুল কাংখুৎকী শান্নরোইশিং অদুদি-পিঐচ জয় শর্ম্মা, জি পুর্নাচন্দ্র শর্ম্মা, টি ঐচ লুখোই, আর কে সনাজাওবা, এল ওম্নাৎ, টিঐচ প্রিয়োকুমার, ৱাই সমানন্দ, এম নবাকুমার অমসুং আর কে জিলা সনানি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা থোংজু-এ কাংখুৎনা কেস প্রাইজ ওইনা লুপা লিশিং ৭কী মনা ফঙখি। অদুগা রন্নর্স অপ তাখিবা য়াইস্কুল কাংখুৎনা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৫ ফঙখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা উচেকোন নোংচুপ গ্রাম পঞ্চায়তকী জিল্লা পারিষদ সেরাম নিকেন সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, মণিপুর কাং এসোসিসেয়নগী প্রসিদেন্ট মৈকাম জদুমনি সিংহ না থৌরম মপু অমসুং উচেকোন নোংচুপ গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধান কোনসম মুনিন্দ্রো সিংহ না অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# বিবিএনা ৱাইএলকে অমদি সিটিজন ক্লব মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ঃ
মণিপুর হেন্দ বোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা য়াইফ লমজিং কাংলুপ চীংঙারেল তেজপুরনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা চথরক্লিবা ৪২শুবা সেনিয়র ষ্টেট লেভেল হেন্দ বোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী লীগ মেটচশিংদা বিবিএ ময়াং ইম্ফালনা য়ুম্বু ৱাইএলকে চিংঙারেল অমসুং সিটিজেন ক্লব সোইবম লৈকায় মায়থিবা পীদুনা মেটচ অনী মায় পাকপা ঙমখ্রে।

বিবিএ অমসুং সিটিজন ক্লব অনীনা শান্নখিবা মেটচতা ময়াং ইম্ফাল নুপীমচা টিমনা সোইবম লৈকায় টিমবু গোল ১৬-৯ দা মায়থিবা পীখি।

বিবিএগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রেমারেসমা, অবিনাস অমসুং টিঐচ রাসিবালানা গোল ৪।৪ অদুগা টিঐচ সবিতা অমসুং এল অঞ্জুবালানা গোল ২।২ চনবা ঙমখি।

অদুগা সোইবম লৈকায় টিমগী গোলশিং অদুনা বি সুনিতিবালানা গোল ৪, ও অঞ্জালিনা ৩ অদুগা এন অঞ্জুবালা অমসুং আই রানিবালানা গোল অমমম চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা বিবিএ অমসুং ৱাইএলকে অনীনা শান্নখিবা মেটচতা বিবিএ না ৱাইএলকেবু গোল ১০-৮ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাকপগী গোলশিং অদু এল অঞ্জুবালানা গোল ৩ অদুগা এন অবিনাস, টিঐচ রাসিবালা,টিঐচ সাবিতানা গোল ২।২ অমসুং এল প্রেমিকানা গোল ১ চনবা ঙমখি।

য়ুম্বু ৱাইএলকেগী গোলশিং অদুনা টিঐচ সঙ্গিতানা ৩, টিঐচ বিমোলাতানা ২ অদুগা টিঐচ কাবিতা, এস সনাতোম্বী অমসুং এল নন্দবালানা গোল অমমম চনবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা নুপীগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচশিংদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা য়ুম্বু ৱাইএলকেবু গোল ১৪-১০ দা অদুগা সিটিজন ক্লবনা মণিপুর পুলিসপু গোল ১৩-১০ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা নুপাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা য়ুম্বু ৱাইএলকেনা সিটিজন ক্লবপু গোল ২৩-১৪ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা পব্লিক ক্লব তোপ খোংনাঙখোংনা য়ুম্বু ৱাইএলকেবু গোল ১৪-৬ তা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা মণিপুর পুলিস টিমনা বিবিএ ময়াং ইম্ফালবু গোল ১২-৬ তা মায়থিবা পীখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী নুপা অমসুং নুপীগী মখা তাবা লীগ মেটচশিং শান্নগনি।

# মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট কন্টেষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ঃ
ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিয়েসন অমদি য়সাল ক্লব য়ুরেম্বম অনীনা পুন্না শীন্দুনা ১৬শুবা মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট কন্টেষ্ট ২০১৮ য়ুরেম্বম মখা অৱাং লৈকায়দা থা অসিগী ২৩দা পাঙথোক্লগনি।

কন্টেষ্ট অসিগী সেনিয়রগী ৱিন্নর গী ওইনা কেস প্রাইজ লুপা লিশিং ১৫ ওইগনি, জুনিয়রগীনা লিশিং ৭ অদুগা মাষ্টর, ৱুমেন ফিটনেস অমসুং মেন্স ফিজিক্কী ওইনা লুপা লিশিং ৫।৫ ওইগনি।

কন্টেষ্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ১০দগী ২০ ফাওবগী মনুং দা ফোর্ম থাজিল্লক্লবা খঙহল্লক্লি।

ফোর্ম ফংফমনা-পিসি কিন্দ ষ্টার গভর্নর রোর্দ পাওনা বাজার, মামা ভেরাইটি ষ্টোর শিংজমৈ মারকেট অমসুং এমএস জিম কোন্নর শিংজ মৈ সুপর মার্কেটনি।

# কেএসও মোরেনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ঃ
মোরে তাউনদগী শাফবা নহা অনী লৈশাংথেম রোবার্দ মৈতৈ অমসুং হেনরি মাংগৌলাল হাওকিপ অনীনা তোঙান তোঙানবা মহারাষ্ট্রগী পুনেদা লৈবা বেলাৱাদি ষ্টেদিয়মদা অমদি থাইলেন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা মিষ্টর এসিয়া অমদি মিষ্টর ৱার্ল্ড কন্টেষ্টতা সেনিয়র ৬০ কেজি অমসুং জুনিয়র ৭৫ কেজি দা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ানবগী খল্লকপদা কুকি ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসন মোরেনা থম্মোয় শেংনা হরাওবা অমদি নুং ঙাইবা ফোঙদোরক্লি। মখা তানা কেএসও মোরেনা মখোয় অনীবু তুংগী লম্বীদা মায় পাক্নবা য়াইফ মঙ্গল পীখিবগা লোয়ননা মখোয় অনীনা লমজিংদুনা লমদম অদোমগী নহাশিংবু নিশাগী ইপাক্তগী লাপ্না লৈহনদুনা অফবা খুন্নাই অমদা শেন্দা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙম্বা ওইরসনসু ফোঙদোকখি।

# জিএ এরোস্মিটনা রেপিদ চেছ টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ঃ
কংলৈ চেছ একাদেমীনা শীন্দুনা শিংজমৈ চিংঙামথক চোংথাম লৈকায়দা লৈবা একাদেমী অসিগী শঙলেনদা চথরকপা ২০শুবা অন্দর-১৫ ওপন সেটরদে এন্দ সন্দে রেপিদ চেছ টুর্নামেন্টতা গুরুঅরিবম এরোস্মিট শর্ম্মানা পোইন্ট ৪ ফঙদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

দয়ানন্দ থৌদাম অমদি জালেস থৌদাম অনীনা চপ মান্ননা পোইন্ট ৩।৩ ফঙদুনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ৮দগী হৌদুনা শান্নরোই ১৪না শরুক য়ারকখিবনি।

ঙসি ফাইনেল রাউন্দগী টেবল নম্বর ১দা শান্নখিবা মেটচ অমদা এরোস্মিটনা মাইবম য়োহেনবা খুমন মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা টেবলশিংদা জালেস থৌদামনা নুংশিথোই ঙাইরংবম, দয়ানন্দ থৌদামনা ক্ষেত্রিময়ুম এমসন, মোইরাংথেম দেবদট্টনা থোকচোম কারুনা, লনচেনবী ঙাইরংবমনা খুমন আইন্তাইন মাইবম অমসুং থোকচোম প্রিটিনা খুয়ুমথেম দাইনাবু মায়থিবা পীখি।

অদুগা তখেল্লবম শ্যামসন অমসুং খুয়ুমথেম প্রেটিক দ্রো ওইদুনা পোইন্ট তঙ্খায় তঙ্খায় য়েন্নখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা তখেল্লম্বম শ্যামসননা মরিশুবা অদুগা খুয়ুমথেম প্রেটিকনা মঙাশুবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা কংলৈ চেছ একাদেমীগী এদভাইজর সনশম উমানন্দনা মকোক-মথং তারবশিংবু প্রাইজ য়েন্থোকখি।

# অরুনকুমার অমসুং মোনিকানা ষ্টেট লেভেল কেরোম চেম্পিয়ন্সিপকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ঃ
মণিপুর কেরোম এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চথরকপা ২৭শুবা ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ অমদি ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শিংজমৈ কম্যুনিটি হোলদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী চবুংবম অরুনকুমার অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাংথেম মোনিকা অনীনা নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে।

সিঐচ অরুনকুমার ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ময়াং ইম্ফাল কোনচাক ময়াই লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা সিঐচ ইনাওচা অমসুং সিঐচ ইবেমহল অনীগী মচানুপানি।

অরুনকুমারনা হন্দক্কী টাইটল লৌরকপা অসি চহি মরিগী মতুংদা লৌরকপনি। মহাক্না ইং ২০১৩ অমসুং ১৪ পাঙথোকখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কেরোম চেম্পিয়ন্সিপ, ষ্টেট কেরোম চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং এনই চেম্পিয়ন্সিপ্তা মেন্স সিঙ্গলসকী টাইটলশিং লৌবা ঙমখি।

ৱুমেন্স সিঙ্গলসকী ৱিন্নর ওইখ্রবী এম মোনিকা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খোঙজোম শিবনগরদগী মোইরাংথেম ইবোমচা অমসুং এম ওংবী ইতোবী দেবীগী অহানবা ফঙজবা মচানুপীনি। মহাক্কী মখাদা মনাওনুপা অনী লৈরি।

মোনিকা থৌবালদা লৈবা চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরী স্কুলদা সাইন্স ষ্ট্রিমদা ক্লাস ১১ তম্লিবী মহৈরোইনি।

মোনিকানা হন্দক্কী ইদিসন অসি থারগা মরিরক লেপ্তুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

মহাক্না ষ্টেট লেভেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা ২০১৫ দগী হৌদুনা চহি অসি ফাওবদা ৱুমেন্স সিঙ্গলসকী টাইটল লৌদুনা লাক্লি। মহাক্না এনই চেম্পিয়ন্সিপ্তসু ২০১৪-১৬ ফাওবা জুনিয়র কেতেগোরিদা অহুমলক ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ২দগী হৌদুনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট মরিদগী লাকপা নুপা শান্নরোই ১২০ অমসুং নুপী ২১ পুন্না শান্নরোই ১৪১ শরুক য়ারকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইম্ফাল ইষ্টকী এস রোমেন্দ্রো অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী ও মেমথোই অনীনা নুপা অমসুং নুপীগী বেটচ ফিয়র প্লে এৱার্দকী মনাশিং ফঙবা ঙমখি।

অদুগা টুর্নামেন্ট অসিদা স্লাম মেটচ মরি য়াওখিবদা ইম্ফাল ইষ্টকী এন য়াইমা সনানা অহানবা স্লাম ওফ দি টুর্নামেন্টকী মনা ফঙবা ঙমখি।

ঙসি শিংজমৈ কম্যুনিটি হোলদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা সিঐচ অরুনকুমারনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দব্লিউ নেত্রজিৎপু সেট ২-০ (২৫-১৪, ২৪-১১) দা মায়থিবা পীখি।

অদুগা ৱুমেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা এম মোনিকানা ইম্ফাল ইষ্টকী এ বিদ্যায়বু সেট ২-০ (২৫-০, ২৫-০) দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা জুনিয়র বোইজ সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাই সঞ্জিৎনা থৌবালগী মহেসপু সেট ২-১ (২১-৪, ১০-১৪, ২১-০) দা মায়থিবা পীদুনা কাংলুপ অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিগী নুপামচাগী কেদেদ অমসুং সব-জুনিয়র শিঙ্গলস কাংলুপ্তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এম য়াইখোম্বা অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী কেঐচ রিতিকনা অহানবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্তদগী এম গৌরোবা অমসুং এসঐচ সুরেস অনীনা অনীশুবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী মুতুম এরিনা অমসুং মমতা তৌরাংবম অনীনা জুনিয়র গার্লস সিঙ্গলসকী অহানবা অমসুং অনীশুবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি।

টিম ইভেন্টকী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট -এনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। অদুগা ইম্ফাল ইষ্ট-এনা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট-এ রিপ্রজেন্ট তৌখিবা শান্নরোইশিং অদুদি এম মধপ, এল ঙাম্থোইবা, কে ননাও, দব্লিউ নেত্রজিৎ অমসুং এস অদিতিয়ানি।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা অথোইবা মীথুংলেন, ওল মণিপুর কেরোম এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট টি ধিরেন সিংহ না থৌরম মপু অদুগা জে নিমসকী সেনিয়র রেসিদেন্ট ডাঃ পুখ্রমবম কিরন সিংহ, একাউন্টেন্ট জেনরেল মণিপুরগী এসিষ্টেন্ট ওদিট ওফিসর বিনাতা থাংজম অমসুং নোর্থ ইষ্ট কেরোম এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী এন ব্রোজেন সিংহ না অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# সলাইনা শান্ন-খোৎনবা চাওখৎনবা হোৎনদুনা লাক্লিঃ সাপম কুঞ্জকিশ্বর



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ঃ
সলাই না চহি ২০ দা মণিপুরদা অওনবা পুরক্কবা হোৎনরিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা শান্ন-খোৎনবগী হিরমদা চাওখৎনবা হোৎনগনি হায়না এক্স এমএলএ সাপম কুঞ্জাকিশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি তবুংখোক্তা লৈবা টিঐচ বিরাচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমীনা শীন্দুনা একাদেমী অসিগী গ্রাউন্দা অন্দর - ১৩ অমদি ১৫ আই লীগ কী গ্রুপ-এ অমদি গ্রুপ বিগী ওইবা এক্সিভিসন মেটচ অনী শান্নখ্রে।

হায়রিবা এক্সিভিসন মেটচ অদুদা সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদ কী ব্যুজিনেস পার্টনর ওইরিবা জেক রিপব্লিকতগী থোমাস কেসনা অমদি ওনদ্রি ক্রিভা য়াওনা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভপলমেন্ট পার্টিগী সেন্ট্রেল ৱার্কিং কম্মিটিগী ভাইস-প্রসিদেন্ট এক্স মিনিষ্টর এ বিরেন, সলাই হোল্ডিংগী ভাইস চিয়রমেন এন বিশ্বরজিৎ, ইলাংবম ব্রোজেন্দ্রো, একে দিপানন্দ য়াওনা মীওই কয়ানা মীয়েং তাখি।

এক্সিভিসন মেটচ অসিগী অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা সাপম কুঞ্জকিশ্বর (কেবা) না হায় সলাইনা লাক্লিবা চহি ২০ অসিদা অওনবা চাওখৎপা লমদম অমা ওইহনবগী পান্দমদা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিং দা শান্ন-খোৎনববু চাওখৎহনবা হায়বসিসু য়াওদুনা লাক্লি অমদি সলাইগী ওইবা নুপী ফুটবোল টিমনা চিংবা লৈরি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা জেক রিপব্লিকগী লাক্লিবা মীওইশিং অসিসু ফুটবোলদা ঙাওজবা লমদম অমা ওইবনা এক্সিভিসন মেটচ অসি একাদেমী শিনবনি। সলাইনা মখা তানা লমদম অসিগী শান্নরোইশিং মালেমগী থাক্তা পুথোকপা ঙমনবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# মহাদেব নিংথেম্বমনা এলইসি-বি বাবুপারাবু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৯ঃ
দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিয়েসন জিরিবাম, মণিপুরনা শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপারাদা লৈবা লমলেন কম্যুনিটি হোল কম কাংশঙদা চথরক্লিবা ২১শুবা এন পট্টমা দেবী মেমোরিয়েল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট ঙসি শান্নখিবা মেযচতা মহাদেব নিংথেম্বমনা এলইসি(বি) বাবুপারাবু পাঞ্জল ২০-১২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অসিদা মহাদেব নিংথেম্বমনা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি। অদুগা এলইসি(ব) বাবুপারানা কাং কাপ্পা হৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা মহাদেব নিংথেম্বম অমদি এলইসি(বি) বাবুপারা টিম অনীনা য়াম্না কন্না ফজনা শান্নখি। অদুবু অপীবা মতমদা মহাদেব নিংথেম্বমনা এলইসি(বি) বাবুপারাবু পাঞ্জল ২০-১২ দা মায়থিবা পীখি।

ঙসিগী মেটচ অসিদা এ ইবোতোননা অম্পয়র ওইখি। অদুগা এন কুঞ্জমোহোন সিংহনা স্কোরর ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেটচ ওইনা হয়েং ৱাইএলসি দিবোং খুনৌ অমদি ইচেল ক্লব দিবোং শান্নরগনি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. **Acting Editor: N. Krishnamohon Singh** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*